থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# গিরিস কর্নাদ লৈখিদবদা



তাইবঙপানসিদা নুমিৎ খুদিংগী লম্ কয়াদা শক্লাইবা ওইরক্কদবা মীওই কয়া পোকই, কয়া অমসু শি। পোকপা, হিংবা, শিবা অহুম অসিনা উরু-রুরু লৈদুনা, লোইবা খন্বা নাইদনা উংদুনা লৈবা চক্র অমগী মমিংনি পুন্সি। লোইবা নাইদ্রবা পুন্সিদুবু পুরিবনা লোইবা নাইবা পৎপা নাইবা হকচাং পোলাং। অমরোমদা হায়রগনা, পৎপা নাইবা হকচাং পোলাং অসি পুরদুনা চৎলিবদু পুন্সিনি। পুন্সিসিনা হকচাং পোলাং অসি থাদোক্তুনা চৎখিবদুবু কৌই 'শিবা'। ঐখোয় পুম্নমক্কী মফমদা শুকশোয় শোয়দনা লাক্কদৌ' লৈরবা 'শিবা' হায়বা মীকুপ অদুবু ঐখোয়না খ্বাইদই পামদবা, খ্বাইদই হেন্না কিজবা মীকুপ অমা ওইনা খনহল্লকই অপান্বা, মিহৌবা, কল্লকপা, নুংশিবা অমদি নুংঙাইবা কৌবা পুক্লিং ইহুল ময়ামসিনা।

ঙরাং অয়ূক অঙনবদা, থিয়েটর সার্কলদগী থানরকপা হ্বাটচএপ মেসেজশিংদগী 'গিরিস কর্নাদ লৈখিদ্রে' হায়বা পাউ অদুনা নুমিৎ চূপ্পা অমা ঐবু নুংঙাইফম খঙহনখিদে। মহাক্কা ঐহাক্কা খঙনরুবগী নত্তে। নোংমতসু উনদুনা ৱারী শানখিবসু লৈতে। ঐগী ফেবোরাইট এক্টর/দাইরেক্টর নৎত্রগা রাইটর অমা ওইরকখিবসু নত্তে। মাগী ফিল্ম নৎত্রগা প্লে ময়াম অমা য়েংলুবা, পারুবদগী মাবু ঐনা কাউঙমদনা থম্মোয়দা লাৎলুবসু লৈতে। অদুদি, করিগীনো - মহাক লৈখিদবগী পাউ তারগা ঐনা অদুক লাংতক্লখিবা, পোত্থাফম খঙখিদবদি? পাউদম অসি পারগা অদোম্না শোয়দনা হংবীনীংগনি। নৎত্রগা, ইরিবসি তৌশিন্নবা/হায়শিন্নবা মানগনি। মরমদু শেংদোকচরক্কে।

ঙসিদগী চহী তরাতরুকমুক্কী মমাঙ ওইরমগনি। ঐনা থিয়েটরদা এক্টিব ওইনা, থৱায় য়াওনা তৌরিঙৈ মতমদুদা মহাক্কী 'তুগলক' - মমিং সেগাক কায়খিবা ড্রামা অদু ঐনা হৈত-হৈত মীতৈলোন্দা হন্দোক্তুনা, ঐগী এক্টরশিংগা লোয়ননা শাংলবা এক্সর্সাইজ অমা তৌমিন্নদুনা, সেগা রোদ'কী মণিপুর সঙ্গিৎনাত্য-মহাবিদ্যালয় ওদিটোরিয়মদা শান্নখি। থা অনী খরা কল্লপ তৌখিবা এক্সর্সাইজ মনুংদুদা ঐনা মাবু পাদবা য়াদদুনা পাখি, নৈনখি। ইব্রাহম অলকাজি'গুম্বা থিয়েটর দাইরেক্টর অমনা দিরেক্সন তৌদুনা পুথোকখিবা, 'মনোহর' গুম্বা এক্টর অমনা 'তুগলক' কী শক্তম লাংখিবা প্রদক্সন অদুবু, ঐগুম্বা অমনা পুথোক্কে হোৎনরুরিবদু, ঙসি নীংশিংলুরগা খল্লকই - 'থৌওং অদু অঙাংনা মৈ পায়দুনা শান্নরুবা' হায়বদুমক্কী থৌদৌনি। ওন্থোকপা লাইবক হায়বদুনি - 'তুগলক' শাগদবা ঐগী মেইন এক্টর অদু, প্রিপরেসন পূম্লোয় লোইদুনা, মহাক্কী পার্ফোমেন্স ফীসু পীথোক্লুরগা, ময়ূমদা মমা-মপাগা নিংঙাই শংদানবা অমা থোকই হায়, মমান্নবা (লীলাদুগী কোরস এক্টর) অমগা পূন্না লিংখৎমিন্নবা মরূপ অমা কায়বদইনি হায় - লোৎখিবদগী থা খরা ময়ূমদা হল্লকখিদে। নুমিৎ হুমনি মরিনিদুদা 'দিরেক্টর' ওইরুবদুনা অশোয়বা ঙাক' তুগলক শাদুনা থোকখি ঐনা। মতমদুদা পাখিবা মাগী পুন্সি ৱারী থিয়েটরদা করম্না মায় ওনশিল্লকখিবা... অসিনচিংবদু নীংশিংলুরগা মহাক্না তৌরম্বা থবকশিং য়েংলুবদা ইশামক্কী পুন্সিসিবু অমুক হঙ্গৎনা য়েংনীংবগী অপাম্বা ফাওরকপদুনি - ঙসিগী পাউদম অসিগী মরুওইবা শরুক।


গিরিস কর্নাদকী অপোকপা রঘুনাথ কর্নাদ - মশামক দোক্তর অমা ওইনা, বোম্বে মেদিকেল সর্ভিসতা চঙলবা মতুংদা, নর্সিং তম্লিবী -মচা অমা পোল্লগা নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবী কৃষ্ণবাই'গা শকখঙনদুনা লুহোংলসি ৱাশক্লরবসু, মতমদুগী 'লুখ্রাবীনা লুহোংবা য়াদবগী চৎনবী' অদুনা মখোয় অনী লুহোংনবা চহী মঙা ঙাইবা তাখি। 'আর্থ-সমাজ'না লুখ্রাবী নৌনা লুহোংবগী অয়াবা পীরবা মতুংদা লুহোংলগা পোক্লকখিবা রঘুনাথকী মচা মরিগী মনুংদা অহুমশুবদু 'গিরিস কর্দাদ' নি (মে ১৯, ১৯৩৮)। কুমজা ১৯৫৮দা 'মেথমেটিক্স অমসুং ষ্টেটিষ্টিক্স'তা কর্নাটকা য়ুনিভর্সিটিদগী বি এ দিগ্রী লৌখি। কুমজা ১৯৬০দা ইংলেন্দগী 'ওক্সফোর্দ' তা চত্তুনা ফিলোজোফি, পোলিটিক্স অমসুং ইকোনোমিক্স তমখি, মাষ্টর ওফ আর্টস দিগ্রী লৌখি। হল্লক্লগা, ১৯৬৩দগী ১৯৭০ ফাওবা মদ্রাজগী 'ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটি প্রেস'তা থবক তৌরম্মী। মফমদুদা 'দ মদ্রাজ প্লেয়র্স' কৌবা এমেচর থিয়েটর গ্রুপ অমগা শকখঙনখি। মদুনা মহাক্কী ৱাখলদা অচৌবা অহোংবা অমা লাকহনখিবরা? কুমজা ১৯৭০দা 'প্রোফেসনেল রাইটর ওইরগে খন্দুনা থবক তোকথোকখি।

মতুং তারকপা চহী নিফু চূপ্না, কর্নাদ'না 'হিষ্টরি' অমসুং 'মিথোলোজি'বু মোর্দন থিয়েটরগী পান্বে অমা ওইনা শীজিন্নদুনা অনৌবা মতমগী ৱাথোক-লান্থোক-ইস্যুশিংবু 'অনৌবা লীলা' (মোর্দন প্লে) ওইনা পুথোক্তুনা নৈনরকই। মশানা ইজবা লীলাশিং মশানা ইংলিসতা হন্দোকচদুনা ফোঙদোকই। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা লোনশিংদা হন্দোক্তুনা শক্লাইবা দিরেক্টরশিংনা শান্নখি/শান্নরি। অনৌবা ইন্দিয়ন থিয়েটরগী মশক লেপ্পদা 'বাদল সরকার' না বেঙ্গোলিদা, বিজয় তেন্দুলকর'না মরাথিদা, মোহন রাকেসনা হিন্দিদা পীখিবা মমল নাইদ্রবা খুদোল পীখিবগুম 'কন্নড়-থিয়েটর' দা 'গিরিস রঘুনাথ কর্নাদ' কী খুদোল মপান নাইদে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট'না পদ্মশ্রী অমসুং পদ্ম-ভুষন পীদুনা ইকায়খুম্নখি। লিটরেচরগী লম্‌দসু লমদমসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা 'গ্যানপিথ এৱার্দ' ফংখি। কুমজা ১৯৭৪-৭৫দা পুনেগী 'ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটকী দাইরেক্টর ওইখি; কুমজা ১৯৮৭-৮৮দা চিকাগো য়ুনিভর্সিটিগী ভিজিটিং প্রোফেসর ওইরিঙৈ, মফমদুগী 'ফুলব্রাইট থিয়েটর'গী 'লেঙদনা-লৈবা-লীলাইবা' (প্লেরাইট ইন রিসিদেন্স) ওইখি; কুমজা ১৯৮৮দগী ১৯৯৩ ফাওবা সঙ্গিৎ নাটক একাদেমিগী চ্যেরমেন ওইরমখি; কুমজা ২০০০দগী ২০০৩ ফাওবা, ইন্দিয়ন হায় কম্মিসন, লন্দন'দা কলচর মিনিষ্টর ওইনা ওইনা নেহরু সেন্টরগী দাইরেক্টরসু ওইরমখি।

মহৈরোয় ওইনা তম্লকখিবা মহৈদুনা পামজবা শিন্থা অমা পাঙবদা মতেং শুকওই ওইদে হায়বসি তাইবঙসিদা উৎলমখিবা মীশক অসি ঙরাং অয়ূক বেঙ্গলোরগী হোস্পিটাল অমদা হকচাং অদু হুন্দোক্লম্লগা চৎখি শকখঙদবা মফম অমদা।

লৌশিং পুক্কে

# মতম শাংনা ফমজিনবগী মহুত্তা পুং ১ খুদিংগী হৌগৎলগা মিনিট ২ খোঙনা চৎপনা হকচাংদা থোরক্কদবা অমাঙ-অতা কয়াদগী ঙাকথোকই



হায়নবা লৈ, খোঙনা চৎপগী কান্নবা কয়ামরুম লৈ। ইচম-চন্বা মাল্লবসু খোঙনা চৎপগী কান্নবদি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। মসিনা হকচাং পানা অমদি খীংনা লৈহনবগা লোয়ননা হকশেলদা চাউনা কান্নবা পী।

নুমীৎ খুদিংগী কিলোমিটর ১/২ খোঙনা চৎপনা কেলোরি ১০০ রোম মাঙহনবগা লোয়ননা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎহন্দে, ঈগী ঈচেল ফগৎহল্লি, তাঙ-তাঙ (জোইন্ট) শিংগী ফ্লেক্সিবিলিটি হেনগৎহল্লি, ব্লদ সুগরগী চাং হন্তহল্লি, লংসকী মথৌ ফগৎহল্লি অমুং হকচাং কলহল্লি। ইশম শম্না হায়রবদা চাং নাইনা খোঙনা চৎপনা কেন্সর অমদি অতৈ খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। মতম শাংনা ফমজিনবগী মহুত্তা পুং ১ খুদিংগী হৌগৎলগা মিনিট ২ খোঙনা হঙ্গৎ-হন্দা চৎপনা হকচাংদা থোরক্কদবা অমাঙ-অতা কয়াদগী ঙাকথোকই।

পুম্নমক অসি খঙলবসু মীওই অয়াম্বা খোঙনা চৎপগী হৈনবী থম্নদে। মসিগী মরুওইবা মরমদি মথৌ চিনবা অমসুং মতম ফংদবা হায়বসিনি। মথৌ চিনবা হেনগৎলকপদগী অমসু অমসু নংনবা হোৎনরকপদা মতেক ময়া ফাওবা খোঙনা চৎপগী মহুত্তা গাড়ী মচা তোংলগা চৎনরকপনি। মতৌ অসুম্না মীপুম খুদিংমক হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎলকপা মরম্না পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না নাবগী চাং ৱাংখৎ-লকপনি হায়রি।

অদুবু অখঙ-অহৈশিংগী মোত মতুংইন্নদি নুমীৎ খুদিংগী খোঙনা চৎনবগীদমক তোখায়না মতম কাইথোক্কদবা নত্তে হায়রি। লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়খি, য়ারিবমখৈ দোলান কাবদা লিফ্‌ট শীজিন্নরোইদবনি, থাপ্না গাড়ী খাম্লম্লগা মতেক খরা খোঙনা চৎকদবনি অমসুং বস তোংলগা চৎপা তারগনা য়ৌগদবা ৱাৎলিঙৈদা কুমথহৌরগা অৱাৎপা শরুক খরা খোঙনা চৎকদবনি। অয়াম্বা মতমদা ফম্লগা থবক শুবা মীওই ওইরবদি মরম শুংলৈ লৈত্রবসু পুং খুদিংগী ঙাইহাক ঙাইহাক হৌগৎলগা খোঙকাপ মঙা/তরা চৎকদবনি।

নোংমগী মনুংদা তোখায়না মতম কায়থোক্লগা হকচাং শাজেল তৌদ্রবসু হায়রিবা থৌরাংশিং অসি লৌখৎপা মতমদা হার্ট দিজিজ, ষ্ট্রোক, টাইপ-টু দাইবেটিস, ওষ্টিওপোরোসিস অমসুং কেন্সর মখল খরগী রিস্ক হন্থহনবা ঙম্মী।

অমরোমদা, টফ্‌টস য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চরশিংনা চত্থখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুংইন্না অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌবা মীওইশিং অহল ওইরল্লগা হার্ট এটেক অমসুং ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক নেম্না লৈ হায়বা খঙলে।

রিছার্চরশিংনা মশাগী চহী ৭৩ রোম শুরবা মীওইশিংদা চহী ১০ চুপ্পা ষ্টদি চত্থখি। অয়াম্বা মতমদা খোঙনা চৎপা অমসুং ঙাইহাক শংবদা ইমুংগী থবক ইনখাং মচা-মশু নোম্বা মীওইশিং কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ নারকপা য়াবগী রিস্ক নেম্না লৈ হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙবা ঙমখি। খোঙকাপ খরা চৎপা মতমদসু তপ্না তপ্না চৎপগী মহুত্তা খোঙজেল য়াঙনা চৎপনা কান্নবা হেল্লি হায়রি। রিছার্চরশিংনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমনা নুমীৎ খুদিংগী পুংদা কিলোমিটর ৫ গী চাংদা চৎপা মতমদা কোরোনরি হার্ট দিজিজ (সী ঐচ দি) নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৫০ রোম হন্থরকই। ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্কনা চাদা ৫৩ হন্থরকই হায়রি।

অহল ওইরে হায়দুনা অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা অমদি হীপচিন্দুনা লৈবা মীওইশিংগা য়েংনবদা ইংখোল কোয়বা, নাপী ফানবা অমদি খোঙকাপ খরা হঙ্গৎ-হন্দা চৎতুনা শানবা মীওই কোরোনরি হার্ট দিজিজ, ষ্ট্রোক অমসুং কার্দিওভাস্কুলর দিজিজগী রিস্ক হন্থরকই হায়রি।

অমরোমদা, অমেরিকান হার্ট এসোসিএসন (এ ঐচ এ) না হন্দক্তা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, থবক ইনখাং চৎথোকপদা মশাগী গাড়ী তোংলগা চৎপা মীওইশিংদগী বস নৎত্রগা ট্রেনদা চৎপা মীওইশিংনা পুন্সি শাংবা হেল্লি। বস নৎত্রগা ট্রেন তোংদুনা চৎপা মীওইশিংদি মতেক অমত্তং ওইরবসু মখোঙনা চৎপগী তাঞ্জা ফংই। অমরোমদা মশাগী গাড়ী তোংলগা চৎপশিংদি লমথুংফম য়ৌদ্রিবফাওবা গাড়ীদা অদুম ফম্লগা লৈ।

অমেরিকান হার্ট এসোসিএসনগী ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা লুইসা সোরস-মিরান্দানা হায়খি, ফনা য়াম্না মথৌ চিল্লবসু নোংমগী ঙাইহাক ঙাইহাক খোঙনা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ। নুমীৎ চুপ্পা ফম্লগা থবক শুবা মীওইশিংনা পুংজা খুদিংগী হৌগৎলগা খোঙকাপ মঙা/তরা হঙ্গৎ-হন্দা চৎকদবনি। মসিনা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না কয়ামরুম ঙাকথোকপা ঙম্মী।

# পি এম এস এম এগী মখাদা মীরোনবীশিং লেম্না অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস): প্রধান মন্ত্রি সুরক্সিট মন্ত্রিভাট অভিয়ান (পি এম এস এম এ) প্রোগ্রামগী মখাদা ব্লোক প্রোগ্রাম মেনেজমেন্ট য়ুনিট (বি পি এম য়ু) চকপিকারোংনা দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজমেন্ট য়ুনিট (দি পি এম য়ু) চান্দেলগা খুৎশম্নরগা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা মীরোনবীশিংগী লেম্না অনা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী সী ঐচ সী চকপিকারোংদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক হেল্‌ঠ লোয়শঙগী দেপ্যুটি দিরেক্টর অমদি এন ঐচ আর এমগী ষ্টেট নোদেল ওফিসর ডা. মীনা সেরাম অমসুং সী এম ও চান্দেল ডা. সের্থাই সের্বরুন অনীগী লীচিং মখাদা পাঙথোকখিবা মীরোনবীশিংবু লেম্না অনা লায়েংবগী কেম্প অদুদা ষ্টেট হেল্‌ঠ সার্ভিসেসকী স্পেসিএলিষ্ট ডোক্তর অহুম, ডা. বিলাশিনি তায়েঞ্জম, ও বি জি ৱাই, ডা. জেমস এলাংবম, ও বি জি ৱাই অমসুং রেদিওলোজিষ্ট ডা. রুহি গুপ্তাসু শরুক য়াদুনা মীরোনবী নুপীশিংবু লেম্না অনা লায়েংখি।

কেম্প অদু পাঙথোকপগী মতাংদা দেপ্যুটি দিরেক্টর অমদি নোদেল ওফিসর ডা. মীনা সেরামনা ফোঙদোকখিবদা, সী ঐচ সী চকপিকারোংদা ঙসি পাঙথোক্লিবা কেম্প অসি পি এম এস এম এগী মখাদা থা খুদিংগী তা ৯/৯ দা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসি মরুওইনা মীরোল্লবী মমাশিংবু মশা-মউ ফনা অঙাং উনহন্দুনা অঙাং উনবদা মমা শিবগী চাং অমসুং অঙাং শিবগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা কেম্প অসি পাঙথোকপনি। কেম্প অসিদা মীরোনবী মমাশিংদা ক্বালিটি চেক অপ ফংহনবীবনি। মীরোনবী মমাশিং অসিবু নীংথিনা মচি ওইবা চীঙ্গাকশিং পীজদুনা, ফমহন্দুনা পোত্থাহন্দুনা লৈহল্লগা রেজিষ্ট্রেসন তৌবদগী হৌনা আশাশিংনা মখোয়গী টিকেট কক্পীবা, মথৌ তাবশিং কার্দতা চনশিনবীরবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা দাইবেটিস, হাইপরটেন্সননচিংবশিং চেক তৌবীরগা অলবুমিন, সুগর টেষ্ট, ঈ টেষ্ট, অল্ট্রা সাউন্দনচিংবা এগজামিনেসন ময়াম অমা লেম্না তৌবীদুনা মখোয়দা লৈরিবা প্রোব্লেমশিং অদুবু ঙন্না খঙদোক্লবনি। ঈ টেষ্ট তৌবগী রিপোর্ট অদু খুদক্তা মখোয়দা পীথোক্তুনা তুংদা মখোয়বু সী ঐচ সী অসিদা অদুমক ট্রিটমেন্ট পীবা ঙম্লোইদবশিং অদুনা অচৌবা হোস্পিটালশিংদা রিফর তৌবীদুনা অঙাং উনবদা থেংনগদবা খুদোংচাদবশিং অদু ঙাকথোকহৌনবা শিনবনি।

ঙসি পাঙথোক্লিবা কেম্প অসিনা ৫ রকশুবনি। হান্না মোরে, মাও, তামৈ অমদি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল জিরিবামদসু পাঙথোকখ্রে। অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা হেল্‌ঠ ইনষ্টিট্যুট, সেন্টর ৮০ দসু পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মরুওইনা ঙসি চকপিকারোংদা পাঙথোক্লিবসি থাপ্লবা মফমশিংদা লৈরিবা হেল্‌ঠ সেন্টরশিং অসিদা স্পেসিএলিষ্ট ডোক্তরশিং অসি ৱাৎপনা মীরোনবী নুপীশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। কেম্প অসিদা প্রাইভেট ভলন্টিয়র স্পেসিএলিষ্ট ডোক্তর অহুম্না শরুক য়াদুনা অনা লায়েংলি। মণিপুরদদি ভলন্টিয়র স্পেসিএলিষ্ট ডোক্তরগী মশিং অসি য়ামদে। গাইনিগী ডোক্তর ১৪ গা রেদিওলোজিষ্ট অমগদি লৈরে। অদুবু অয়াম্বনা ইম্ফাল ইষ্টকা ৱেষ্টকদা লৈ হায়রি।

# সী পি আই, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওফিস ওপেন ভবনগী অকোয়বদা উ-চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস): গ্লোবেল ৱার্মিংগী মায়োক্তা অকনবা লাঞ্জংগী খোঙজং অমা ওইনা অশংবা মালেম ওইহন্নবা পান্দমগী মখাদা সী পি আই, মণিপুরনা পাক শন্না উপাল থাবগী চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, সী পি আইগী ওফিস ওপেন ভবনগী অকোয়বদা ঙসি অয়ুক উ-চারা কয়ামরুম থাখ্রে হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) গী ওফিস সেক্রেটরি এস য়াইমানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

উ-চারা থাবগী থৌরম অদুদা সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি কমরেদ এল সোটিনকুমার, সেক্রেটরিএট মেম্বর কমরেদ এ লালা, দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি কমরেদ কে বিমোল অমদি ৱর্ল্ড সোসল ফোরম, মণিপুরগী কনভিনর কমরেদ শামুঙৌনচিংবনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, মালেমসিদা শেঞ্জাও পায়বগী নিতিনা ওইহল্লক্লিবা শাথিরবা গ্লোবেল ৱার্মিংগী শক্তম অসি অথুবা মতমগী মনুংদা চেক তৌহৌদ্রবদি ঙসিদগীনা চহী ৩০ মুক্কী মতুংদদি মীওইবা অমদি থৱায় পানবশিং হিংবদা শাথিনা ৱারগনি। মালেমগী সমুদ্র মপালদা লৈবা লৈবাক কয়া সমুদ্রগী ঈরোলনুংদা লুপশিনখ্রগনি। অকিবা ফংলবা থৌদোক অসিবু ওইহল্লক্লিবা শেঞ্জাও পায়বগী নিতি কেপিটেলিজমনা মশাগী শেন্দোং খক্তা খনবনা মরম ওইদুনা মহৌশানা পীথোরকপা নেচরেল রিছোর্স পুম্নমক মখোয়না লেপ্তুনা লুট তৌনবা হোৎনরকপদগী ঙসিগী শাথিরবা ফীভম অসি ওইরক্লিবনি। মরম অসিদগী খুন্নাইগী সোসল অমসুং ইকনমিক সিষ্টেম অসি হোংদোকপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না মহাক্না মখা তাখি। উ-চারা থাবগী থৌরম অদুদা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী মরুওইবা থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

RaDiant Group
Let Us Grow Together

Address: Corporate Office, Sega Road, Keishampat, Imphal-01

**Manpower Requirements**

**Date of Interview 14th June 2019**

Interested Candidate may apply for the positions below with updated bio-data/Resume by Walk-in between 10:00 am -4:00 pm
or SMS / Whatsapp us at +91-9774132616 with <Name><Position>

| UNIT | Position | Exp. | Post | Education | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| Corporate | Manager | 1-2 Yrs. | 1 | Graduate preferably MBA | Negotiable |
| Corporate | Internal Auditor | 2-3 Yrs. | 1 | B.Com. | Negotiable |
| Corporate | Assistant Internal Auditor | 0-1 Yr. | 1 | B.Com | 6,000-8,000 |
| Corporate | Accountant | 0-1 Yr. | 1 | Graduate preferably B.Com. | 6,000-8,000 |
| Corporate | Cashier | 0-1 Yr. | | Graduate preferably B.Com. | 5,000-7,000 |
| Corporate | Assistant Accountant | 0-1 Yr. | 1 | Graduate preferably B.Com. | 5,000-7,000 |
| Corporate | Office Assistant | 0-1 Yr. | 1 | Graduate | 5,000-7,000 |
| Corporate | Software Developer | 0-2 Yrs. | 1 | Computer Sc./IT Graduates | Negotiable |
| | | | | | |
| Marketing and Sales | Content Writer | 0-2 Yrs. | 1 | Graduate and above (English) | Negotiable |
| Marketing and Sales | Marketing Associate | 0-3 Yrs. | 1 | MBA in Marketing | Negotiable |
| Marketing and Sales | Marketing Executive | 0-2 Yrs. | 1 | MBA in Marketing | Negotiable |
| Marketing and Sales | Digital Marketing | 0-2 Yrs. | 1 | MBA / IT Graduates | Negotiable |
| Marketing and Sales | Business Analyst | 0-2 Yrs. | 1 | MBA | Negotiable |
| | | | | | |
| Fitness | Trainer (Female) | 0-1 Yr. | 2 | N/A | Negotiable |

HL-B/5441/10-14

Sd/- HR Generalist
RaDiant Group

Pinewood View School
SANGAIPROU, OPPOSITE ISKCON TEMPLE, IMPHAL
A Co-educational Higher Secondary School
Affiliated to Council of Higher Secondary Education Manipur

ADMISSION OPENS
FOR CLASS XI (Sc.) 2019 - 2020 Session

PRINCIPAL
L. Somarjit Singh
Retd. Associate Prof. Imphal College, Imphal

GUEST LECTURERS
Kh. Dinokumari Devi — Retd. Senior Lect. English
L. Ramananda Singh — Retd. Associate Prof. Chemistry
C. Ibotombi Singh — Retd. H.O.D. Mathematics D.M. College
Ch. Rajendro Singh — Retd. Associate Prof. Imphal College

ADVISORS
A. Puru Singh (Chemistry)
N. Singhajit Singh (Physics)

FOUNDERS
L. Kumarjit Singh (Biology) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
S. Nikunja Singh (Mathematics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL

FACULTIES
Kh. Anjila (English) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
Meouni Laishram (Biology) — M. Sc. Biology, NET (JRF)
A.Sangita Chanu (Chemistry) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
Jeetchand Sanabam (Physics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
N. Rojesh Singh (Mathematics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
I. Sures Singh (Mathematics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL

FACILITIES

| | |
|---|---|
| For Rankers: | Freeship + Scholarship |
| 85% & Above But Below Rankers: | Freeship + Scholarship of ₹ 3000/- per month for 2 years. (Limited Seat) |
| 80% & Above But Below 85%: | Freeship (Limited Seat) |
| 70% & Above But Below 80%: | Admission Fee free (Limited Seat) |
| 65% & Above: | Direct Admission (Limited Seat) |

HL-P/5371/22/5-12/6

pinewoodviewschool@gmail.com    Learn, Excel and Serve

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১১।০৬।২০১৯ ইং, লৈবাকপোকপা, ইঙাগী ৯ নি পানবা।

মেষ : হকচাং নুংঙাইবা, মীচং হেনগৎপা, মরূপ-মপাংগী মতেং ফংবা অমদি অনৌবা থৌরম পাংবদা মাই পাকপা নুমিৎনি। অফবা মীংচৎ ফংগনি। অনমদি তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - - নুংশিবা ফংজবা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : ৱাঙাঙ হৈত্রদি নরল মাঙবা য়াবা ঙসিসু লৈ অমদি হোয়া ফবনা মরূপ-মপাংগা নুংশিনবা ৱাৎপা লৈগনি। মীয়াম লোইননবা হোৎনৌ। অথেংবদা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অনীংবদু পাংদা য়াদে খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : মীৱা লৌগনু, লম চৎপদা হূরানবনা তাথিবা লৈগনি। অখঙ-অহৈ শারদি য়েক্লবা চাওখৎপা য়াবা লৈ-অদুনা পৎশিন্নৌ। খুদোংচাবদি মাঙহনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : হকচাং নুংঙাইবা, লল্লোন-ইতিক্তা চাউনা কান্নবা অমদি মরূপ-মপাংগা লোইনবা থবক লাইনা পাংবা নুমিৎনি। মীঙোন্দা লৈখিবা শেল ফংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : নথক থোংবনা চানগনি অদুনা ৱানোম-থৌনোম য়াম্না কান্নগনি। অফবা মরূপকী মতেং ফংগনি অমদি লেংদবা লন-থুম লেপশিনবা ঙমগনি। য়েনবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা : হরাওবা নুংঙাইবা, লল্লোন-ইতিক্তা চাউনা কান্নবা অমদি ৱাখলগী পাঙ্গল হেনগৎপা নুমিৎনি। পন্দুনা লৈরুবা থবক পাংগনি অদুবু খাঙবা কন্দবনা মাঙজবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : মরী-মতানা চানগনি, লৌশিং চাউবা মীগী মতেং লৌগনি অমদি নুংঙাইথোকপা ইঙম ঙমদ্রসু কান্নবদি ফংগনি। অনম তানবদি মঙম শানলোই, নোল্লুক্লা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃশ্চিক : শেল ফংগনি, অনৌবা থৌরমদগী কান্নবা য়াম্না ফংগনি। নাইতোম ৱারেপ লৌবা য়াখিরোই অমদি ফিংবনা শোক পনবা নংবা য়াবা লৈ। অখঙ-অহৈ তানৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : থবক পাংগনি, মীচং হেনগনি, অনৌবা পায়খৎপা য়ারগনি অমদি লাইবক ফবা খরসু ফংগনি। অদুবু য়েৎনবা য়াদবা অমদি ৱা য়াম্না ঙাঙবা য়াদবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা খরদি লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মকর : অৱাবা অমদি খুরৌথাংবা খরা লৈরসু নক্লবা মীগী মতেং ফংবা অমদি লৌশিং চাউবনা ওইজ-ওইথক ফংজবা লৈ। অনীংবা থবক শোইদনা পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংলপ্না নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : ৱানোম-থৌনোম কান্নবা, মীয়াম্না থাগৎপিবা অমদি মমল চংবা পোৎ ফংবৈ নুংঙাইবা লৈগনি। কা হেন্না ইচং থৌবনা মরূপ-মপাং কাইনবা য়াবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা, ইচং থৌবগী কান্নবা ফংবা অমদি য়েক্লবা লৈরম্বসু কোকচবা নুমিৎনি। নথক থোংবনদি চানবীবা ৱাৎলি, অশাওবনা মাঙহল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।